**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- সরকারনা পিছ্ কমিতি কয়া শেমদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনরি।

২) চুরাচান্দপুর অমসুং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

অমসুং

৩) কেরলাগী ৱায়ানদদা চীং নিংখায়বদা শিখিবা মী মশিং ২৪০ য়ৌরে, মীওই ১৯১ থিবা খঙদনা লৈরি।

------

সিএম (এল)ঃ ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফমগী অহানবা নুমিৎতা সভাগী লুচিংবা ওইরিবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়- সরকারনা পিছ কমিতি কয়া শেমদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনরি।

সভাদা রাজ্যপালনা পীখিবা ৱারোলবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- ৱার ওন ড্রগস কেম্পেনগী শরুক অমা ওহনা সরকারনা লম হেক্তর লিশিং ১৯ রোমদা থারম্বা পোপি পাম্বী কয়া মাংহনখ্রে। হৌখিবা মতম খরা অসিদা আইন কায়না চংলকপা মীওই লিশিং ২,৪০০ রোম মশক খঙদোকপা

ঙমখ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অসি কামজোং, তেংনৌপল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাশিংদা লৈরম্বনি। শ্রী বিরেন্না হায়- রাজ্য সরকারনা কেন্দ্রগা খুৎশমদুনা মণিপুরদা এন.আর.সি চৎনহন্নবা হোৎনরি। বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার লাকপদগী রাজ্য অসিদা আই.এল.পিসু চৎনবা হৌখ্রবনি। মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতানা শোকহল্লবা মীওইশিং অমসুং লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংদা পীগদবা তেংবাংগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- কেন্দ্র সরকারনা মখোয়দা মতেং পীনবা লুপা কোতি ৫০০ রোম কাইথরকখ্রে। কেন্দ্র সরকারনা মখা তানা মতেং পাংলকখিগনি হায়না থাজবা থল্লি।

এসেমব্লি (এল)ঃ বিধান সভাগী লুচিংবা অমদি শেল থুমগী বিভাগসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙরাং ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা ইং ২০২৪-২৫ গী চহিগী বজেৎ ইষ্টিমেট পুথোকখ্রে।

শ্রী বিরেন্না ইং ২০২৪-২৫ গী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস, ইং ২০২৪-২৫ গী এন্যুএল ফাইনান্সিয়েল ষ্টেটমেন্ট, ইং ২০২৪-২৫ গী মণিপুর বজেৎ এট এ গ্লান্স অমসুং ইং ২০১৮-১৯ গী দিমান্দস ফোর এক্সেস গ্রান্টসসু সভাদা পুথোকখি। মহাকা বিজিনেস এদভাইজরি কমিতি ২০২৪ গী ৭ শুবা রিপোর্ট সভাদা পুথোকখি। তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা সভাদা ভোট ওন এক্কাউন্ট ২০২৪ খন্ন-নৈননবা পুখৎখি।

লো এন্দ লেজিসলেতিভ এফ্যারস মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা ঙরাং মণিপুর বিধান সভাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী ইং ২০১৮-১৯, ২০১৯-২০, ২০২০-২১ অমসুং ২০২১-২২ গী সেপরেট ওদিৎ রিপোর্টশিং পুথোকখি।

নিট (এল)ঃ নিট-পি.জি ২০২৪ গী একজাম সেন্তর ইম্ফালদা পীরকপগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি

ৰেলফ্যার মন্ত্রি জে.পি নদ্দাবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- খোঙথাং অসিনা  রাজ্য অসিগী মহৈরোইশিংদা ৱাখল নুংঙাইনা পরিক্ষা থাবা ফংহল্লগনি।

দিসি (এল)ঃ হৌখিবা মে ৫ দা অকনবা মওংদা লেন তাখিবগী থৌদোক্তা অমাং অতা থোকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইমুং মনুংশিংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা জিঙ্খা য়েন্থোকখ্রে।

খোঙথাং অসি মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা য়েংশিল্লবা মতুংদা কা হেন্না ফিভম শোকখিবা ইমুং ১৭৭ তা জিঙ্খা বন্দল অহুম অহুম অমসুং খরা শোকখিবা ইমুং লিশিং ২১ হেনবদনা বন্দল অনি অনি য়েন্থোকখি। জিঙ্খা ফংদ্রিবা অদুবু অমাং অতা নংলবা ইমুংশিংনা থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা এস.দি.সিশিংদা পাউ পীরকবা খঙহল্লক্লি।

এআর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী এন. খাউকুৱাল ভিলেজদা অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা নহান থি হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এ.কে. ফোর্তিসভেন রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল মরি, পোম্পি বোম মঙা অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী তেকচম এরিয়াদগীসু নহান অসাম রাইফলস অমসুং রাজ্য পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা স্নাইপর রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন রাইফলস অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, গ্রেনেদ ৬ অমসুং নোংমৈ মরুশিং য়াওরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রাদা ঙরাং অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা করিয়র কাউন্সেল্লিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মফম অদুগী নহারোলশিংদা ইন্দিয়ান আর্মদ ফোর্সতা থবক চংনিংনবা ৱাফম কয়া অসাম রাইফলসকী মাইকৈদগী ফোংদোকখি।

পাউমী (এল)ঃ ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)গী পাউমী ৱেলফ্যার ফাউন্দেসনগী মখাদা ঙরাং অনা লায়েংগা মরী লৈনবা তেংবাংগীদমক লুপা লাখ ২ লিশিং ১৩ পাউমীশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পাউমী ১১ দা লুপা লাখ ১ লিশিং ৮৫ য়েন্থোকখি। অদুগা রিএম্বরসকী ওইনা লুপা লিশিং ২৮ অমসু য়েন্থোকখি।

কেরলা ঃ কেরলাগী ৱায়ানদদা চীং নিংখায়বদা শিখিবা মী মশিং ২৪০ য়ৌরে। মীওই ১৯১ রোমা থিবা খঙদনা লৈরি। মী কনবগী থবক তৌরিবশিংনা ঙরাং মুন্দাকাইদগী হকচাং কয়ামরুম ফংলে। মালাপুরম জিলাগী চালিয়র তুরেলদগীসু হকচাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি। হৌজিকসু হকচাং কয়া ফুমজিনদুনা লৈরমগনি হায়না পানরি।

লান্মীনা চালিয়া তুরেলগী চুরলমালা মপাদা বেল্লি ব্রিজ অমা শাননবা হোৎনরি। অদুমওইনমক, নোং কন্না চুবনা খুমাং চাওশিন্না থবক শুবা ঙমদ্রি। থোং অসি শাবা লোইরবদি মুন্দাকাই তান্না অচৌবা মেছিনশিং পুশিনদুনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা চাউনা মতেং ওইগনি। মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা থোং অদু ঙরাং তেকখিবনি। হৌজিকসু মফম অদুদা মখা তানা নোং কন্না চুখিগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা ফোংদোকখ্রে।

ওলিম্পিক্স ঃ পেরিস ওলিম্পিক্সকী মঙানি চনবা নুমিৎতা বোক্সিংদা ভারতকী লভলিনা বোরগোহেন নুপীগী কিলোগ্রাম ৭৫ গী কাংলুপ্তা ক্বাতর ফাইনেল

চংখ্রে। বেদমিন্টনদা পি.ভি. সিন্ধু অমসুং লক্সা সেন অনিমক রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংখ্রে। সুত্তিংদা স্বাবনিল কুসাল নুপাগী ফিফতি মিতর রাইফল থ্রি পোজিসন ইভেন্টতা ফাইনেল চংখ্রে। নুপীগী ত্রেপ সত্তিংদা শ্রীয়াসি সিংহ অমসুং রাজেশ্বরি কুমারি অহানবা নুমিৎতা ক্বালিফাই ওইদুনা সেকেন্দ রাউন্দগীদমক শেম শাখ্রে। আরচরিদা দিপিকা কুমারি রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংখ্রে। টেবল টেন্নিসতা শ্রীজা অকুলানা জেং জিয়াংবু মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ভারতনা সুত্তিংদা তকমান অনি লৌবা ঙমখ্রে।

গেমস অসিদা চাইনানা সনাগী তকমান ৯, লুপাগী ৭, শেঞ্জেংগী ৩ পুন্না তকমান ১৯ ফংদুনা অহানবদা লৈরি। ফ্রান্সনা সনাগী ৮, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৮ পুন্না তকমান ২৬ ফংদুনা অনিসুবদা লৈরি। জপান্না সনাগী ৮, লুপাগী ৩, শেঞ্জেংগী ৪ পুন্না তকমান ১৫ ফংদুনা অহুমসুবদা লৈরি। ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান ২ ফংদুনা ৩৯ শুবদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী ৬ শুবা মীফমগী পাউনা ঙসি ফোংলিবা পাডচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা উরে।

নহারোলগী থৌদাংদা- ষ্টেটকী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং চাউখৎহনবা হায়বসিগী লৈঙাক্কী থৌদাংনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী ৬ সুবা বজেৎ সেসন হৌখ্রে হায়না কলর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- সি.এমনা লুপা কোতি লিশিং ৩৪ রোমগী বজেৎ সভাদা পুথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- লক্সমন প্রসাদ মণিপুরগী গর্ভনর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে,

ষ্টেট অসিদা অথুবদা শান্তি লাক্কনি থাজৈ হায়বা গভর্নরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী লুপা কোতি লিশিং ৩৪ হেনবগী বজেৎ পুথোকখে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা ইরাং থোক্লিবা কাংলুপ অনিগী টিমশিং সেন্তরনা শোইদনা কৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়বা চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেনগী ৱাফমনা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- হাই কোর্টকী ওর্দর স্পিকরনা থবক্তা ওন্থোক্লে হায়দুনা দিসপোজ তৌখ্রবা কেস রিভাইভ তৌবীনবা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা বি.জে.পি ওনখ্রবা জে.দি.য়ুগী এম.এল.এ ৫ গী লাইবক হায়বা ৱাফম অসিনা কলর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- গর্ভনরনা অয়াবা পীরকখ্রবা বিলশিং এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা হাউসতা পাথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈপাক্তা- মণিপুরবু য়ু.টি অহুম থোক্লবদতা পিছ লাক্কনি হায়বা সাইকোত এ.সিগী এম.এল.এ- পাউলিয়নলালনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা লমায়দা ফোংলি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা কুকি এম.এল.এ ১০ অমুক্কসু ছুতি লৌদুনা এসেমব্লি সেসন য়াওবা লাকখিদ্রে হায়না কলর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা- পি.এম, ঐচ.এমগী থাক্তা পুন্না কৌরগা ৱারোই পুরকবা হোৎনগদবনি হায়বা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীগী ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- চুরাচান্দপুরদা অসাম রাইফলস লৌথোকপা য়ারোই হায়না খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- হৌজিক চথরিবা ইরাং অসিদা মীওই ২২৬ লৈখিদ্রে হায়বা সি.এম বিরেনগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- জিরিগী ইরাং অসিদা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা এম.ঐচ.আর.সিনা রাজ্য সরকারদা তকশিনখিবগী পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- হাইতুং গুদৱিল ফাউন্দেসন্না অহুমসুবা ষ্টেট লেবেল হাইতুং মেমোরিয়েল ক্বিজ কম্পিতিসন লাক্লিবা ওক্তোবর ২ দগী হৌনবা শেম শারে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- এম.এল.এ ১০ মীফম বোইকোট তৌবদগী মণিপুর এসেমব্লিদা চরাংনবা থোকখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------